# পি ও কে বস সার্ভিসকী মতাংদা ইন্দিয়ানা পাকিষ্টান অমসুং চিনাদা অকনবা প্রোটেষ্ট থাঙ্গৎখ্রে

*ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ১ঃ*

চিনা–পাকিষ্টান ইকোনোমিক কোরিদর (সি পি ই সি) প্রোজেক্টকী মখাদা পাকিষ্টান ওকুপাইদ কস্মির (পি ও কে) ফাওদুনা চিনা অমসুং পাকিষ্টানগী মরক্তা বস সার্ভিস অমা চেলহন্নবা হৌদোক্লিবা থৌরাং অদুগী মতাংদা ইন্দিয়ানা ঙরাং লৈবাক অনীগী মরক্তা অকনবা প্রোটেষ্টশিং থাঙ্গৎখ্রে।

হায়রিবা বস সার্ভিস অদু ইন্দিয়াগী সোভরেন্টি অমসুং টেরিটোরিয়েল ইন্টিগ্রিটি থুগাইবগী খোঙংথাং অমা ওইগনি হায়না ঙরাং মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সেটর্নেল এফিয়ার্র (এম ই এ) ৱাঙাংলোই রবীশ কুমারনা হায়কি।

রিপোর্টশিং মতুং ইন্না অনৌবা বস সার্ভিস অদু পাকিষ্টনগী লাহোর অমসুং চিনাগী কাসগরগী মরক্তা পি ও কে ফাওরগা নবেম্বর ১৩ দগী হৌগদবনি। চিনা–পাকিষ্টান বাউন্দরি এগ্রিমেন্ট, ১৯৬৩ হায়রিবা অদু আইনগী ৱাংমদনি অমসুং চংনবা য়াদে হায়বসি ইন্দিয়াগী লেঙদ্রবা অমসুং ফজনা খংনরবা ফিরেপনি অমসুং মদু ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা কৈদৌঙেদা রিককনাইজ তৌখিদ্রি হায়না কুমারনা হায়খি।

মরম অদুনা পাকিষ্টাননা খুদুম চনবা জম্মু এন্দ কাস্মির ফাওদুনা অসিগুম্বা সার্ভিস অমা চেনবা হায়বসি ইন্দিয়াগী সোভরেন্টি অমসুং টেরিটোরিয়েল ইন্টিগ্রিটি থুগাইবা অমনি হায়না মহাক্না মখা তাখি। বস সার্ভিস অদুগী মতাংদা মেদিয়ানা হংলকখিবা ৱাহংশিংদা এম ই এ ৱাঙাংলোই অদুনা পাউখুম পীখিবনি।

২০১৫ দা হৌদোকখিবা দোল্লর বিল্লিয়ন ৫০০ গী সি পি ই সি অদু চিনাগী রিসোর্স মরাং কায়বা জিনজিয়াং ৱিগর ওতোনোমস রিজনগা অরাবিয়ানসিদা লৈবা পকিষ্টানগী ষ্ট্রেটেজিক ওইবা গৱাদর পোর্টকা শন্নহনগদবা রোদ, রেলৱেজ অমসুং ইন্নরজি প্রোজেকশিংগী প্লান নেটৱার্ক অমনি।

ইন্দিয়াগী ফোরেন সেক্রেটরি বিজয় গোখলেনা ৱার্নীং তৌবগী লোন্দা অমদা নেসনেল বাউন্দরিশিং শমজিন্নবা কনেকটিভিটিগী থবকশিং লৈবাকশিংগী সোভরেন্টি অমসুং টেরিটোরিয়েল ইন্টিগ্রিটি ইকাই খুম্নবা মওং ওইনা শোয়দনা চখগদবনি। মখোয় অদু লল্লোন ইতিক চাওখৎহন্নবা ওইগদবনি, উংখৎনবা থোকহন্নবা ওইরোইদবনি হায়না ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ফোরেন সেক্রেটরি গোখলেনা ইন্দো–পেসিফিক তা রিজনেল কনেকটিভিটিগী মতাংদা পাংথোকপা কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাংবদা ফোঙদোকখিবনি।



# ব্লাসফেমি কেসতা পাক খৃষ্টান নুপী শিবগী চৈরাক ককতুনা থাদোকখ্রে

# ‘কনাগুম্বনা ঐবু হেক্তা হাৎখিবা য়াই’ঃ পাক লোয়র

*ইস্লামবাদ, নবেম্বর ১ঃ*

পাকিষ্টানদা শিবগী চৈরাক ঙাইদুনা লৈরিবী খৃষ্টিয়ান অসিয়া বিবিবু ফাঁসি কোংঙ্গোইদগী কল্লকখ্রবা তুংদা মহাক্কী উকিল অদুনা হৌজিক মহাক ইস্লামিষ্ট এক্সট্রিমিষ্টশিংগী অশাওবা মায়োক্নরে অমসুং মহাকপু কনানা কনগনি খঙদে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্কী ময়োক্তা অকীবশিং অদু লৈরবা ফাওবদসু মহাক করিসু নীঙমদবা লৈতে ইনতোলোরেন্সকী মায়োক্তা মহাক্কী আইনগী লাম্বেঙ মখা চখখিগনি হায়না সইফ–উল–মুলুকনা হায়খ্রে।

ঙরাং য়ুশংকৈশা নুমিৎতা অসিয়া বিবি কৌবী নুপী অদুগী কনভিক্সন মথক মখা ওম্থোক্তুনা রাই পীখ্রবা তুংদা চহি ১০ রোম চুপ্পা শিবগী চৈরাক মায়োক্নদুনা লৈরকখিবী ব্লাস ফেমিগী কনভিক্সন ফংলবি খৃষ্টিয়ান নুপী অমা ওইরিবা অসিয়া বিবিবু কৈশুশংদগী থাদোরকখিবা অদু মুলুককি খ্বাইদগী নৌবা মায় পাকপনি।

সুপ্রিম কোর্টকী ৱায়েল অদুনা লৈবাক অসিদা অশোয়বশিং খরা লৈজরবসু লায়রবা, মায়নোরিটিশিং অমসুং খুন্নাইগী খ্বাইদগী নেম্বা থাক্তা লৈরিবশিংনা অচুম্বা ফংবা ঙম্মি হায়বদু উৎলে। হায়না কোর্টকী ৱায়েল অদুগী হেক মতুং পাউগী এজেনসিদা মহাক্না হায়খি। মসি ঐগী পুন্সিদা খ্বাইদগী চাওবা অমসুং খ্বাইদগী নুংঙাইবা নুমিৎনি হায়খি।



কোর্টকী ৱায়েল অদুগী পুং খরগী তুংদা আর্মিগী টোপ্রাসকী ময়োক্লা লান্মীশিং লালহৌনবা অমসুং সুপ্রিম কোর্টকী জজশিং হাৎননবা এক্সট্রিমিষ্টশিংনা অপিল তৌখিবগা লোয়ননা লৈবাকসিগী মফম পূন্নমক্তা দেমোনষ্ট্রেসনশিং তৌখি।

মুসলিমনা মেজোরিটি ওইবা পাকিষ্টানদা ইস্লাম অমসুং মসিগী প্রোফেট মহমেদপু খজিকতং ফাওবগী চাংদা ইকাইবা পীবদা মীয়ামগী ইরাং লাক্লিবা লৈবাক অসিদা ব্লাসফেমি হায়বসি য়াম্না অচৌবা মরাল অমনি।

শিবগী চৈরাক কোক্তুনা কৈশুমশংদগী সুপ্রিম কোটনা থাদোক্লকখ্রবী অসিয়া বিবিগী উকিল ওইখিবা মশাগী চহি ৬২ শুরবা, মপোক হৌরবা সাইফ–উল–মুলুকনা হায়খি, ঐহাক হৌজিক কনবীনবা নৎত্রগা নাম্থোক্লবগী থৌরাং লৈত্রবা ফমলিবা ঙানু অমগুম খল্লি। কনাগুম্বা অমনা ঐবু হাৎখিবা য়াই।

বেরিষ্টার অসিনা পায়রকখিবা অচৌবা ৱাথোক্কী কেস ময়াম অমগী মনূংদা অসিয়া বিবিগী দিফেন্স তৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী নৌবনি।

পাকিষ্টানদা ব্লাস ফেমি লোশিংগী মায়োক্তা য়াম্না কন্না ঙাংবা অমসুং বিবিগী শৌগৎপা অমা ওইরিবা পঞ্জাব গভর্ণর সলমান তাসীরবু হাৎখিবগী মতাংদা মমতাজ কাদ্রিগী মায়োক্তা ২০১১দা প্রেজিক্যুটর লূচিংবা অদু মুলিকনি।

ব্লাসফেমি লোশিং শেমদোক্নবা গভর্ণরনা ফোঙদোকখিবশিং অদুগী মরমদগী মহাকপু নুংথিল পোবোবতা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবনি হায়না গভর্ণর অদুমক্কী বোদিগার্দশিংগী মরক্তা অমা ওইরিবা কাদ্রিনা হায়খি।

অতে উকিলশিংনা কিবদগী লৈথোক্ললবদা মুলুক্না প্রোজিয়ুক্যুসনগী কেস পায়খি অমসু কাদিরবু কনভিক্সন ফংহনখি অমসুং কোন্না ফাঁসি তৌদুনা শিবগী চৈরাক ফংহনখি। অদু কাদ্রিবু ইস্লামিষ্টশিংনা ইস্লামাবাদকী মপান্দা লাইশং অমা শাদুনফাও ইকাইখুম্নখি।

# সেল্টর হোম রেপ কেসকী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টনা তকথরকখিবদগী মঞ্জু বর্মাগী মথক্তা ৱারেন্ট থোকখ্রে



*বেগুসরাই, নবেম্বর ১ঃ*

বিহারগী মুজাফরপুরদা লৈবা নুপীমচাশিংগী সেল্টর হোম অমদা লৈরিবা নুপীমচাশিংবু পাক্তক্লনা রেপ তৌবগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টনা তকথরকখিবদগী নীংথৌকাবা নুমিৎতগী মীরোৎ ওইখ্রবী হান্নগী বিহার মিনিষ্টর মঞ্জু বরমাগী মথক্তা নন–বেলেবল ৱারেন্ট অমা থোকখ্রে।

সুপ্রিম কোর্টনা ঙরাং বিহার গভর্ণমেন্ট কৌখৎখি অমসুং মসিমক য়াম্না অঙকপনি। গভর্ণমেন্ট অসিনা মখোয়গী হান্নগী মিনিষ্টরদু কদাইদা লৈ খংদ্রে মহাক লোতুনা লৈখ্রবা হায়না হংখি। মদুদা গভর্ণমেন্টকী উকিল অদুনা মিনিষ্টর অদু থিবা খংদ্রে হায়না কোর্টতা মশানা য়ানা ফোঙদোকখি।

হান্নগী মিনিষ্টর নুপী অসিগী মায়োক্তা থোক্লিবা ৱারেন্ট অসি আর্মস এক্কী মখাদা লৌখৎপা কেস অমগীদমক থোকপনি। মুজাফরপুর সেল্টর হোম রেপসকা মরি লৈননা পুলিসনা অগষ্ট থাদা মঞ্জু বর্মাগী য়ুমদা রেইদ চখখি। অমসুং মাগী য়ুমশিংগী মনূংদা য়ুম অমদগী নোংমৈমরু ৫০ ফংখিবনি।

পাতনা হায় কোর্টনা মঞ্জু বর্মাগী এন্টিসিপেটরি বেলগী ৱাকৎশিং কয়ারক হন্না ককথৎখ্রবা ফাওবদা ষ্টেট পুলিসনা মাবু ফানবা থবক লৌখৎখিদে।

সুপ্রিম কোর্টনা বিহার গভর্ণমেন্টপু কৌখৎতুনা থংনা–থংননা নুমিৎ হুন্নিদা মহাক করিগী ফাদ্রিবনো হান্নগী মিনিষ্টর অদু আইনগী মথক্তা লৈব্রা অমসুং বিহার গভর্ণমেন্টতা করিগুম্বা অরানবা লৈব্রা হায়খিবা অদুগী মতুং খক্তদা নন–বেলেবল ৱারেন্ট অদু থোকখিবনি।

# কাপ্নবদা কাস্মিরদা মিলিটেন্ট ২ হাৎখ্রে

*শ্রিনগর, নবেম্বর ১ঃ*

ময়াই থংবা কাস্মিরগী বদাগাম দিষ্ট্রিক্টতা ঙসি শকোলশেন নুমিৎতা কোয়শিন্দুনা থি–হুম্বগী থবক চখবদা মিলিটেন্টশিংগা কন্না নোংমৈ কাপ্নবদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মিলিটেন্ট ২ হাৎখ্রে হায়না পুলিস ৱাংলোই অমনা ফোঙদোকখ্রে।

তোঙাশিং শন্দোক্নবা দিষ্ট্রিক্ট অদুদা ইন্টরনেট মোবাই সার্ভিস ককথৎখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট অসিগী অরিজাল খান সহিবকী জাগু খূনদা মীলিটিন্ট শিং লৈবগী পাউ অমা ফংবদগী রাষ্ট্রিয়া রাফলস (আর আর), জে–কে পুলিসকী স্পিসিয়েল ওপরেসন গ্রুপ (এস ও জি) অমসুং সি আর পি এফ কী ট্রুপশিংনা ঙসি অয়ুক অঙনবদা থিবা হুম্বগী থবক অমা চখখি। মদুদা মিলিটেন্টশিং অদুদা ওটোমেটিক খূৎলাইশিং অদুনা অকনবা মওংদা নোংমৈ কাপশিলকখি অমসুং সেক্যুরিটি ফোর্সসু খূৎহনখি।

# য়ু এসনা আইটেম ৯০দা দ্যুটি ফ্রিগী খুদোঙচাবা লৌথোকখিবদা ইন্দিয়া থিনা শোকহৌরে



*ৱাসিংটন, নবেম্বর ১ঃ*

প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা ন্যু দিল্লিগা লৈনবা লল্লোন–ইতিক্কী মরিদা অকনবা ফিরেপ লৌখিবা অদুগী পরিংদা ঙসি য়ু এসনা অয়াম্বনা হেন্দলূম অমসুং এগ্রিকলচর সেক্তরশিংদগী য়ামদ্রবদা ইন্দিয়াগী পোখোক ৫০ গী ইমপোর্টতা পীরম্বা খুদোঙচাবা দ্যুটি–ফ্রি অদু লৌথোকখ্রে।

জেনেরেলাইজ সিষ্টেম ওফ প্রিফরেন্সেস (জি এস পি)গী মখাদা হৌজিক ফাওবদা দ্যুটি ফ্রি ওইরম্বা পোখোক ৯০ গী লিষ্ট অমা পীদুনা ফেদরেল রেজিষ্টারনা নোটিফিকেসন অমা থোকখি।


প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা প্রোক্লেমেসন অমা থোকখি মদুনা নবেম্বর ১ দগী পোখোকশিং অসিদগী খুদোংচাবা অদু লৌথোকহল্লগনি।

ইন্দিয়ানা জি এস পি হায়রিবসিদগী খ্বাইদগী চাওনা কান্নবা ফংবা ওইরম্বনা হৌজিক প্রসিদেন্ট ট্রম্পকী এদমিনিষ্ট্রেসন অসিনা খ্বাইদগী নৌবা ৱারেপ অসিনা খ্বাইদগী শোল্লিবসি ইন্দিয়ানা ওইরে।

খ্বাইদগী চাওবা অমসুং খ্বাইদগী লিরবা য়ু এস ট্রেদ প্রিফরেন্স প্রোগ্রাম জি এস পি অসি মসিগী কান্নবা ফংবা লৈবকশিংদগী পোখোক মশিং কয়াবু দ্যুটি লৌদনা পুশিল্লকপা য়াহন্দুনা ইকোনোমিক দিভলপমেন্ট পুরক্নবগী পান্দম থম্বনি।

হৌজিক দ্যুটি লৌরগদবা আইটেম ৯০ অদুগী মনূংদা আইটেম ৫০ দি ইন্দিয়াদগীনি।

# পোলুসন থিংনবা য়ু পিনা দিল্লি মনাক্কী সিটিশিংদা শাগৎপগী থবকশিং লেপহনখ্রে



*নোইদা, নবেম্বর ১ঃ*

উত্তর প্রদেস গভর্ণমেন্টনা পোলুসন লাকশিন্নবা নেসনেল কেপিটেল রিজন মনূং অমসুং অকোইবদা লৈরিবা ষ্টেট অসিগী নোংচুপ থংবা দিষ্ট্রিক্ট শিংদা নবেম্বর ১ দগী ১০ ফাওবা শাগৎ–খোৎকৎপগী থবক পূন্নমক লেপ্পবা অমসুং কোইলা অমসুং বাইওমাস ফুৱেল শিজিন্নবা ইন্দষ্ট্রিশিং চয়োল অমা থিংঞ্জিনবা খংহনখ্রে অমসুং এনভাইরোমেন্ট পোলুসনকন্ট্রোল ওথোরিটি (ই পি সি এ) গাইদলাইন্সসু ইন্নবা খংহনখ্রে।

ৱাথোক অসিগী অরুবা অসি ৱাখলদা লৈনবা অমসুং ওর্দর অসি পাংথোক্লুবা ওথোরিটিজ পূন্নমক্তা হায়জরি হায়না মীরুট সহারানপুর দিভিজনেল কমিসনারশিংদা ঙরাং ইখিবা চেরোল অমদা য়ু পি গভর্ণমেন্টকী চিফ সেক্রেটরি অনুপ চন্দ্র পান্দেনা হায়খি। মসিগী কোপী অমসু গৌতম বুধনগর, ঘাজিয়াবাদ, হাপুর, মীরুট, ভগাপাট, মুজাফর নগর, বুলন্দসহর অমসুং সামলিগী দিষ্ট্রিক মেজিষ্ট্রেদশিংদসু থাখ্রে।

হায়রিবা মতম অসিগী মনূংদা এন সি আর দিষ্ট্রিক্টশিংদা য়ুম মনূংগী লোয়শিনবগী থবক নৎতনা অতে এক্সিবেসন, সিভিল কনস্ট্রকসনগী থৌওং পূন্নমক লেপকদবনি। উফুল থোকহন্নবা ষ্টোনক্রসরশিং অমসুং হোটমিক্স প্লান্টশিং পূন্নমক লেপকদবনি হায়খি।

নেসনেল কেপিটেল অসিগী এয়ার ক্বালিটি অসি থংনবা রিজনশিংদা লেপ্পা লৈতনা মৈ থাবা অমসুং ফত্তবা মেটিওরোলোজিকেল কন্দিসনশিংগী মরমদগী ঙসি সগোলশেন নুমিৎতা শাথিবগী চাং য়ৌনীংঙাই তাংকক্তা লৈরি।

দিল্লিগী চাওরাকপা এয়ার ক্বালিটি ইন্দেক্স অসি ৩৯২ দা লৈরে মসি য়াম্না নেম্বা থাক্তা লৈরবনি অমসুং খ্বাইদগী শাথিবা চাং য়ৌগদবা সুপ্নগী পোইন্ট ৮ খক্তা ঙাইরবনি হায়রি।

য়ুপি গভর্ণমেন্টনা লৌখৎলিবা খোঙথাং অসিগী পরিংদা গৌতম বুধ নগর এদমিনিষ্ট্রেসনসু লোকেল ওথোরিটিশিং– নোইদা ওথোরিটি, গ্রেটর নোইদা ওথোরিটি অমসুং যমুনা এক্সপ্রেসৱে ওথোরিটিদা গভর্ণমেন্টকী ওর্দর অদু শোয়দনা চেৎনা ইন্নবা পাউতাক পীখ্রে হায়না ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

# লঙ্কা প্রসিদেন্টনা সস্পেন্সন লৌথোকখ্রে নবেম্বর ৫ দা পার্লিয়ামেন্ট মীফম অমুক ফম্লগনি

*কলম্বো, নবেম্বর ১ঃ*

শ্রিলঙ্কা প্রসিদেন্ট মাইথ্রিপালা সিরিসেনানা পার্লিয়ামেন্ট সস্পেন্সন তৌরম্বদু লৌথোকখ্রে অমসুং মায়োক্নরিবা প্রাইম মিনিষ্টর অনীগী মায়োক্তা শক্তি মুন্নবগী মুক্নরিবা অদু ৱারোইশিন পুরক্নবা নীংথৌকাবা নুমিৎতা লেজিসলেচর অদুগী মীফম অমা কৌখ্রে হায়না ঙসি শগোলশেন নুমিৎতা ওফিসিয়েলশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

প্রসিদেন্ট সিরিসেনানা প্রাইম মিনিষ্টর রানিল ৱিক্রেমেসিংঘেবু মফম লৌথোকখিবা অমসুং মহাক্কী মহুত্তা হান্নগী ষ্ট্রোংমেন লিদর মহিন্দ



রাজাপক্সাবু হাপখিবা মতুং থুনমক পার্লিয়ামেন্ট থিংজিনখিবনি।

খোঙথাং অদু ৱিক্রেমেসিংঘেনা ইল্লু হায়বা য়াখিদে অমসুং প্রাইম মিনিষ্টরগী ওফিসিয়েল রেসিদেন্সিদা অদুমক লৈখি। ঙরাং নুমীদাং ৱাইরম পার্লিয়ামেন্টকী স্পিকর অমসুং প্রসিদেন্টগগী মরক্তা ৱারীশিং শান্নখি। মসি কমপ্রোমাইজ অমনি হায়না থবক অদুদা য়াওখিবা ওফিসিয়েল অমনা পাউগী এজেনসিদা হায়রকখি।

মদু নৎলমদ্রবদি স্পিকর অদুনা প্রসিদেন্টকী ৱাফম ইল্লোই অমসুং ইরাই নুমিৎতা পার্লিয়ামেন্ট কৌরমগনি। অদুবু নীংথৌকাবা নুমিৎতা ৱাথোক অসিগী মতাংদা পার্লিয়ামেন্টতা ভোট লৌনগদ্রা হায়বদু খুদক্তা খংবা ঙমদ্রি।

## GAS TODAY

**G. B. D. Lamlong**
Booking : 10/08/18
Valid : 26/08/18
Stk : CTC 612
Time : 07.00 to 10.30 a.m

**Hiyangthang Indane Gas (Rs. 1061.50)**
Booking : 13/09/18
Valid : 24/08/18
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Hrangchal**
Booking : 22/08/18
Valid : 19/08/18
Stk : 306

**Imphal L.P.G Gas**
Booking : 18/09/18
Valid : 28/08/18
Stk : 306, 5 kg Avelible
Sl. No. : Upto 2600
Time : 08.00 a.m.
Delivery at Heinoupok

**Khumbong Gas (Rs. 1045)**
Booking : 29/09/18
Valid : 28/09/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Lambodara Gas**
Booking : 30/08/18
Valid : 22/08/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Misao Gas**
Booking : 31/08/18
Valid : 25/07/18
Stk : 306, 19 kg 50
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Maibia Gas (Moirang)**
Booking : 11/08/18
Sl. No. : Upto 4220
Valid : 08/08/18
Sl. No. : Upto 3391
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m

**T.D.K. Sekmai**
Booking : 17/08/18
Valid : 08/08/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Tanglei Oinam**
Booking : 23/08/18
Valid : 18/08/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

# বোকো হারাম এটেকতা ১২ শিরে

*কানো, নবেম্বর ১ঃ*

অৱাং নোংপোক নাইজেরিয়াদা ই–নাই তাবা কনফ্লিক্ট অমনা ময়ূম থাদোক্তুনা লানজেন্নরকখ্রবশিংগী কেম্প অমা অমসুং খূঙ্গং অনীদা বোকো হারাম জিহাদিষ্টশিংনা এটেকশিং চখরকপদা য়ামদ্রবদা মীচম ১২ শিরে হায়না সিভিলিয়ান মিলিসিয়া অমসুং খূঞ্জাশিং অদুনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

ঙরাং অথেঙবদা ট্রক ৭ ত লাকপা জিহাদিষ্টশিংনা বুলাবুরিন অমসুং কোফা খূনশিং লোয়ননা বোরনো ষ্টেটকী কোনূং মায়দুগুরিগী মপান্দা কেম্প অমদা এটেকশিং চখরকখিবনি। মখোয়না বুলাবুরিনদা ৯, দালোরিদা ২ অমসুং কোফাদা ১ হাৎখি।

# মিসন গংগেনা গঙ্গা তুরেলদগী ফত্তা–হাওদি টন ৫৫ লৌখৎতুনা শেংদোকখ্রে

*জামসেদপুর, নবেম্বর ১ঃ*



গঙ্গা তুরেলদা থা অমা চুপ্পা চখরকপা এক্সপেদিসন অমদা মেম্বর ৪০ না শাবা তিম অমনা তুরেল অসিদগী ফত্ত–হাওদি, অমোৎ–অকাই টন ৫৫ হেন্না লৌখৎলে হায়না টিম অসিগী লূচীংবী এভরেষ্ট চিংকারোই বাচেনদ্রি পালনা হায়খ্রে।

মিসন গংগে এক্সপেদিসন অসিনা হরিদ্বারদগী পতনা ফাওবা কিলোমিটর ১৫০০শাংবা পরিংদা চখরকখিবা এক্সপেদিসনদা টিম অসিনা গঙ্গা তুরেল অসি মফম পূন্নমক পোলূসনগী ফিভমদা থেঙনখি হায়না বচেন্দ্রিপালনা ঙরাং পাউমিশিংদা হায়খি।

টিম অসি ওক্তোবর ১ অমদা জমসেদপুর থাদোক্লগা ওক্তোবর ৫ দগী হরিদ্বরদগী থবক হৌখিবনি। মসিগী লূচীংবী অসি ১৯৮৪ দা এভেরেষ্ট চীংদোল য়ৌখিবা ইন্দিয়াগী অহানবা নুপীনি।

টিম অসিদা মালেমগী চীংদোল ৭ লক কাখিবী ইন্দিয়াগী অহানবা নুপী প্রেমলতা আগরৱাল, এভরেষ্টরশিং –হেমন্তা গুপ্তা অমসুং বিনিটা সোরেন য়াওরি।

টিম অসিনা বিজনোর, ফরুখাবাদ, কানপুর, এল্লাহাবাদ, বরানসি, বুক্সার অমসুং পাতনাগী পরিংদা তুরেল অসিদা হি হোন্দুনা লাকখি।

মেম্বর ৪০ না শাবা টিম অসিদা থৌরম অসিগী স্পোনসর ওইরিবা টাটা ষ্টীলগী ইপ্লোয়ী ২৬ য়াওরি। থুংঙু–থুংঙু মফমদা স্কুল অঙাংশিং য়াওনা মীওই চা কয়ানা এক্সপেদিসন অসিদা য়াওশল্লকখি হায়রি।

সনা–সুদোকু –১৩২২ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | 9 | 3 | 7 | 6 | 1 | 8 | 5 | 2 |
| 2 | 7 | 5 | 9 | 8 | 3 | 4 | 1 | 6 |
| 6 | 8 | 1 | 4 | 5 | 2 | 3 | 9 | 7 |
| 3 | 5 | 4 | 8 | 2 | 6 | 1 | 7 | 9 |
| 8 | 2 | 6 | 1 | 7 | 9 | 5 | 4 | 3 |
| 9 | 1 | 7 | 5 | 3 | 4 | 6 | 2 | 8 |
| 7 | 6 | 9 | 3 | 1 | 5 | 2 | 8 | 4 |
| 5 | 3 | 8 | 2 | 4 | 7 | 9 | 6 | 1 |
| 1 | 4 | 2 | 6 | 9 | 8 | 7 | 3 | 5 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1323**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | | 3 | | 1 | | 6 | | |
| | 2 | 9 | | | 7 | 3 | | |
| | 6 | | | | 3 | | 5 | 9 |
| | | | | 9 | 6 | 2 | | 4 |
| | | 4 | 3 | | | 5 | 6 | |
| 2 | | | 5 | | | | 9 | 3 |
| 9 | 4 | | | | 2 | | | |
| 3 | | | | 4 | 5 | | | |
| | 5 | | 9 | | | 4 | | |